# এফ–৩৫ য়াওনা য়ু এসকি ফাইটর জেট পুন্না ৭ ইরাননা কাপথদুনা থুগায়খ্রে, য়ু এসনা ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদা লান্দারকখিবদগী রেদিএসন থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে : আই এ ই এ

## ইরানগী লানদা দোনাল্ড ট্রম্পবু চাওনা কোক চিকহল্লিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ মীওইবনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরমখ্রে

টেহরান, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
ইরানগী লানদা দোনাল্ড ট্রম্পবু চাওনা কোক চিকহল্লিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ মীওইবনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরমখ্রে হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।



রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইরানগী লানদা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পবু খ্বাইদগী কোক চিকহল্লিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সমুদ্রগী লম্বী অসি মালেমগী থাও পুবা জহাজ শিং চাদা ২০গী চাংদা শিজিন্নরি। মরম অদুনা ইরাননা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অসি লান অসিদা ইরাননা খূৎলাই ওইনা শিজিন্নরকখিবনি।

পৃথিবীগী মতাংদা নৈনবা সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সর্মুদ্রগী লম্বী অসি মীওইবনা পৃথিবিদা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদগী চহী লাক্ষ কয়াগী মমাঙদা নেচরনা অদুমক শেমদুনা থম্বিরল্লবনি। চহী লাক্ষ খরা অসিগী মনুংদা পৃথিবীগী ষ্ট্রকচরদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। অহোংবশিং অদুগী মনুং চন্না ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সমুদ্রগী মফম অসিসু ওইরকখিবনি। ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ইরান অমদি ওমন হায়রিবা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈবা সমুদ্রগী মফম অমনি। নুমিৎ ৩৬নি শুরবা লান অসিদা মালেমগী সুপরপৱারনি হায়রিবা আমেরিকা অমদি ইজরেলনা মায়থিবা পীবা ঙমদ্রিবা অসি ইরানগী মনাক্তা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সমুদ্রগী লম্বী অসি লৈরম্বদগীনি।


লম্বী অসি লৈরমদ্রবদি য়ু এস অমদি ইজরেলনা ইরানবু লান হৌরকপদা অদুমক মায়থিবা পীবা য়ারম্বনি। অদুবু মালেমগী থাও অমদি এল পি জি গ্যাস পুবগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সমুদ্রগী লম্বী অসি লৈরম্বদগী তরাইনা ইরানবু মায়থিবা পীবা ঙমদবনি।

লান অসিগী খুদোঙচাবা লৌদুনা ইরাননা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ফাওদুনা চৎলিবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী থাও পুবা জহাজশিং অথিংবা থমজিল্লকপদগী মালেমদা থাওগী মমল খমথেংনা তাংখৎলকপনা মরম ওইরগা আমেরিকা অমদি ইজরেলদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকনবা প্রেসর পীরকখিবনি।

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা সমুদ্রগী লম্বী অসি জাগ্রোস হায়না খঙনবা সমুদ্রদা লৈবা চীং অমবু ফাওদুনা চৎপা সমুদ্রগী অখুবা লম্বী অমনি। মফম অসি শুপ্পগী কিলোমিটর ৩৪০ পাকপা অমদি মিটর ১১০ রোম লুবা সমুদ্রগী লম্বী অমনি। লম্বী অসি মীওইবনা শেল্লুবা নৎতে। নেচরনা থম্বিরম্বা সমুদ্রগী লম্বী অমনি। অদুবু ইরাননা মখোয়গী কন্ট্রোল মনুংদা থল্লম্বনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানবু লাকপা ঙমদবনি হায়রি।









তেহরান, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
নুমীৎ ৩৬ নি শুরবা ইরানগী লান অসিদা এফ–৩৫ য়াওনা য়ু এসকি ফাইটর জেট পুন্না ৭ ইরাননা কাপথদুনা থুগায়খ্রে। য়ু এসনা ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদা লান্দারকখিবদগী রেদিএসন থোক্লকপা য়াবগী অকিবসু লৈরে হায়না ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) গী মায়কৈদগী চেকশিন ৱাফম থল্লকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইরানগী বুশেহর ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্টদা য়ু এসনা লান অসিগী মনুংচন্না ৪ রক লান্দাখিবনি। পৱার প্লান্ট অদুগী বিল্ডিং পাকশন্না অমাঙ–অতা থোকখ্রে। অদুবু ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদদি থোইনা অমাঙ–অতা থোকপা লৈত্রি। করিগুম্বা ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট অসিদগী রেদিএসন থোক্লক্লবদি অকিবা ফংনা মীশি–মীনা য়াওনা পাকশন্না মাঙ তাকপগী যৌদোক থোক্কনি। হৌজিক শোক্লরিবা লান অসিদা হৌখিবা নুমীৎ নীনি–হুন্নি অসিগী মনুংদা লান অমুক্কা হেন্না কনখৎলকখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ নত্তবা থাউ অমদি এল পি জি গ্যাস পুনবা অনৌবা লম্বী অমদগী ইন্দিয়াগী জহাজ লান্থোরকখ্রে



ইরানগী লান অসিনা মরম ওইরগা থাউ অমদি এল পি জি গ্যাস পুথোক–পুশিন তৌবগী তঙাইফদবা সমুদ্রগী লম্বী ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী লম্বী ইরাননা থিংজিনখিবদগী মালেম পুন্নদা অচৌবা চৈথেং কয়া ফংদুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ নত্তবা থাউ অমদি এল পি জি গ্যাস পুনবা অনৌবা লম্বী অমদগী ইন্দিয়াগী জহাজ লান্থোরকপা উবদা পুন্নমক ঙক্লখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ওমানগী সমুদ্রগী এরিয়াদগী ইন্দিয়াগী থাউ অমদি এল পি জি গ্যাস পুবা জহাজ য়াওনা পুন্না জহাজ অহুম লম্বী অসিদগী অয়েৎ–অপন নংদনা লান্থোরকখিবনি। লম্বী অসি ওমনগী সমুদ্রগী এরিয়া ওইবা মরম্না ইরাননা হায়রিবা মফম অসিদা লাকপা জহাজশিংগী মথক্তা লান্দাবা ঙমদে। ইন্দিয়াগী জহাজ য়াওনা জহাজ অহুম ওমনগী সমুদ্রগী লম্বীদগী লান্থোরকখ্রে হায়বসি ওটোমেটিক আইদেন্টিফিকেসন সিষ্টম অমদি রিমোট সেন্সিং দেটাদা য়ুম্ফম ওইরবা খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

## ইরাননা য়ু এসকি এফ–৩৫ য়াওনা ফাইটর জেট মথং–মথং কাপথরকপা উবদা মালেমগী লৈবাকশিং ঙক্লখ্রে



ইরাননা য়ু এসকি এফ–৩৫ য়াওনা ফাইটর জেট মথং–মথং কাপথরকপা উবদা মালেমগী লৈবাকশিং ঙক্লখ্রে। ইরাননা য়ু এসকি এদভান্স ওইরবা রাদারনা ফাওবা ট্রেক তৌবা ঙমদবা ফাইটর জেটশিং কাপথরকপা হায়বসি চাইনা নৎত্রগা রসিয়ানা মতেং পাংলমদ্রগদি ওইথোকপা য়াদবা ৱাফমনি হায়রি।

নুমীৎ ৩৬ নি শুরক্লবা লান অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা নোংমা নীনি অসিগী মনুংদা ইরাননা য়ু এসকি এদভান্স ওইরবা ফাইটর জেটশিং কাপথরকপা হায়বসি অঙকপা অমনি। এদভান্স ফাইটর জেট কাপথবা হায়বসি পেসিভ ইনফ্রারেদ দিটেক্সন সিষ্টম (পি আই আর) টেক্লিক শীজিন্নদ্রদি ঙমদে। টেক্লিক অসি ইরানদা মতৌ করন্না লৈরল্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। চাইনা নত্রগা রসিয়ানা ইরানদা শোয়দনা পিরকপা ওইরমগনি হায়না পানরি।

## য়ু এসকি এফ–১৫ ফাইটর জেট ইরাননা কাপথখ্রবা মতুং পাইলোট অমা রেস্ক্যু তৌখ্রে, অমনা থিবা খঙদনা লৈরি



য়ু এসকি এফ–১৫ ফাইটর জেট ইরাননা কাপথখ্রবা মতুং পাইলোট অমা রেস্ক্যু তৌখ্রে, অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। থিবা খঙদনা লৈরিবা য়ু এসকি এফ–১৫ গী পাইলোট ইরাননা মখোয়না ফাহৌনবা কন্না হোৎনরি। অদুগা য়ু এসনসু ইরানগী মখুৎতা তাখিদনবা এলিট কম্মান্দো থারকখ্রে হায়রি।

## লানদা অমাঙ–অতা থোকপা হায়বসি মশানা তাবনি : দোনাল্ড ট্রম্প

ৱাসিংটন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
ইরাননা য়ু এসকি এদভান্স ওইরবা এফ–১৫ ই ফাইটর জেট কাপথখিবগী মতাংদা অহানবা ওইনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লানদা অমাঙ–অতা থোকপা হায়বসি মশানা তাবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

লান অসিগী মনুংচন্না ইরাননা য়ু এসকি ফাইটর জেট ৭ থুগায়রকখিবা অসিদা আমেরিকাগী লুচিংবশিং মকোক ঙাউরকখিবনি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ইরানন য়ু এসকি ফাইটর জেট অনি কাপথরকখিবনি। থৌওং অসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা প্রেস মিটতা ট্রম্পনা ইরানগা লান লোইশিন্নবগী ৱারি শান্নবা অদুমক লেপখিরোই হায়নসু ফোঙদোরকখ্রে।

## চাইনানা শাবা ৱিং লুং–২ কৌবা দ্রোন অমা ইরাননা কাপথখ্রে দ্রোন অদু য়ু এ ইনা থাজিল্লকখিবা ওইরমগনি হায়না পানরি

চাইনানা শাবা ৱিং লুং–২ কৌবা দ্রোন অমা ইরাননা কাপথখ্রে। দ্রোন অদু য়ু এ ইনা থাজিল্লকখিবা ওইরমগনি হায়না পানরি। করিগীদমক চাইনানা শাবা ৱিং লুং–২ দ্রোন য়ু এ ইনা থাজিল্লকখিবনো হায়না ইরাননা য়ু এ ইদা শেংদোরক্লবসু খঙহনখ্রে।

ইরাননা ৱিং লুং–২ মিসাইল য়াম্না লায়না কাপথবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা চাইনানসু দ্রোন অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা য়োনবদা শিৎলরোইদ্রা হায়না খম থেংনা পাখৎলকখ্রে হায়রি।

## আমেরিকা অমদি ইজরেলনা লান্দারকখিবদগী ইরানগী মপাঙ্গল অমুক্কা হেন্না কনখৎলকখ্রে



আমেরিকা অমদি ইজরেলনা লান্দারকখিবদগী ইরানগী মপাঙ্গল অমুক্কা হেন্না কনখৎলকখ্রে। মালেমগী ওইনা ইরান হায়রিবা লৈবাক অসি শুপ্পগী ইচম চম্বা লৈবাক অমা ওইনা খন্নরম্বনি। অদুবু হন্দক য়ু এস অমদি ইজরেলনা লান্দারকখিবা অদুদা মখোয়না খুৎ হল্লকখিবা মওং অমদি ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপগী ষ্ট্রেটেজি অসি অঙকপনি। লোয়ননা আমেরিকা অমদি ইজরেল ফাওবদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী প্রেসর ফাওবা পিহল্লকপা ঙমখ্রে হায়রি।


## য়ু এস অমদি ইজরেলগী রাদারবু ট্রেক তৌবা ঙমদবা ইরানগী মিসাইল মরাং কায়না লৈরি, য়ু এসকি এদভান্স এয়ার দিফেন্স সিষ্টমশিংনা ইরানগী মিসাইল ঙাকথোকপা ঙমদ্রে

য়ু এস অমদি ইজরেলগী রাদারবু ট্রেক তৌবা ঙমদবা ইরানগী মিসাইল মরাং কায়না লৈরি। য়ু এসকি এদভান্স এয়ার দিফেন্স সিষ্টমশিংনা ইরানগী মিসাইল ঙাকথোকপা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লান অসিদা ইরাননা মালেমদা খন্নবা লানগী ৱাখল্লোলদসু চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমখ্রে। মমাংঙৈদা শোক্লরম্বা লানদা খোঙমী লান্মী কয়া শীজিন্নরম্বা অদু হৌজিক মথৌ তাদ্রে। হৌজিক শোক্লরিবা লান অসি নোংথক্কি লাননি। নুমীৎ ৩৬ নি শুরবা লান অসিদা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা য়ু এসনা ইরানগী টার্গেট লিশিং ১২ রোমদা পাকশন্না লান্দাখ্রে। হৌজিকসু ইরানদা মিসাইল চাদা ৫০ হেন্না মরাং কায়না লৈরি।

ইরানদা লৈরিবা লানগী খুৎলায়শিং অসিনা থা অমা চুপ্পা য়ু এস অমদি ইজরেলগা লান শোক্লবা ঙমখিগনি। পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০২২ গী মতমগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইরানগী মনাক্তা বেলেষ্টিক মিসাইল লিশিং ৩ গী মথক্তা লৈখি। কিলোমিটর লিশিং ২ গী রেঞ্জ য়ৌনা কাপ্পা ঙম্বা মিসাইলশিংসু য়াওরি হায়রি।

## Crossword # 997



| Across | Down |
| --- | --- |
| 1. Indefinite number | 1. Stick around |
| 5. Inexpensive | 2. Dayton's state |
| 10. Use a tent | 3. Revolutionary War militiaman |
| 14. Not that | 4. CT time zone |
| 15. Hi | 5. Hot pepper |
| 16. The ____ Office | 6. Long-legged bird |
| 17. Slangy negative | 7. Make jubilant |
| 18. Incensed | 8. Bottom-row key |
| 19. Lasso | 9. Ode |
| 20. One of us | 10. Eye part |
| 21. Thicken | 11. Elude |
| 22. Capital of the Philippines | 12. Syrup tree |
| 24. Coach | 13. Entreat |
| 27. Surrendered | 21. Scientist ____ Sagan |
| 28. Blur | 23. Served perfectly |
| 30. Space | 25. Sharp blows |
| 32. Not simple | 26. Proportion |
| 36. Train depot (abbr.) | 28. Strike-breaker |
| 39. Oh, dear! | 29. Lawn tunneler |
| 40. ____ O'Donnell of TV | 31. Spool |
| 41. Over | 33. Remove wrinkles |
| 42. Mr. Franklin | 34. Owned apartment |
| 43. Combine | 35. Mule's father |
| 45. Musical group | 36. Respected leader |
| 46. Judged | 37. Carry |
| 47. Fragrant flowers | 38. Impersonated |
| 50. Former (hyph.) | 41. Eden dweller |
| 54. Landed manor | 43. Movie personnel |
| 56. Chopping tools | 44. Eye part |
| 57. Health farm | 45. George Harrison, e.g. |
| 60. Go away! | 47. Adjust again |
| 61. Noblewomen | 48. Hollywood award |
| 63. Warning sign | 49. Gaze steadily |
| 64. Nobleman's title | 51. Appoints |
| 65. Critic Roger ____ | 52. Put forth |
| 66. Harry Potter's tool | 53. Quizzes |
| 67. Birch or spruce | 55. Genesis garden |
| 68. Birds' abodes | 58. Await judgment |
| 69. Completes | 59. No ifs, ____, or buts |
| Puzzle Grid | 62. Honest ____ Lincoln |
| | 63. Have creditors |

পাউখুম লমায় ৯দা ...

## দ্রোনগী এটেকতা সুদানদা মীওই ১০ শিখ্রে

সুদান, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
সুদানগী হোস্পিটাল অমদা চত্থরকখিবা দ্রোনগী এটেকতা মীওই ১০ শিখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অল জবালিয়ান হায়বা হোস্পিটাল অমদা রেপিদ সপ্পোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) কী মায়কৈদগী দ্রোনগী এটেক অদু চত্থরমগদ্রা হায়বগী অচৌবা চিংনবা লৈ।

দ্রোনগী এটেক অদুদা শিখিবা মীওই ১০ অদুগী মনুংদা ৭ অমদি হোস্পিটাল অদুদা থবক তৌবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনি হায়রি।

পনবা য়াবদি সুদান হায়রিবা লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা অচৌবা সিভিল ৱার থোকপদগী নাকল অনিগী মরক্তা হায়বদি আর এস এফ অমদি সুদানিজ আর্মিগী মরক্তা লান শোক্লদুনা লাকখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী মনুংদা লান অসিগী মনুং চন্না হেল্থকেয়ার ফেসিলিটি ২০০ রোমদা লান্দারকখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## দোনাল্ড ট্রম্প ৱা য়াম্না ঙাংবা মতিক চাদবা প্রসিদেন্টনি: ইমান্যুয়েল মেক্রোন

পেরিস, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প ৱা য়াম্না ঙাংবা মতিক চাদবা লুচিংবা অমনি হায়না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা ফোঙদোরকখ্রে।

ইমান্যুয়েল মেক্রোননা দোনাল্ড ট্রম্পতা শাওদুনা ৱা য়াম্না ঙাংবা লুচিংবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি প্রসিদেন্ট মেক্রোনগী লোয়নবী ফার্ষ্ট লেদিজগী মতাংদা ঙাংহে–শকহৈদবা ৱা ঙাংদুনা করেম–কথাইনরকখিবদগী ফোঙদোরকখিবনি। ৱাফম অসি মেক্রোননা সাউথ কোরিয়াগী খোঙচৎ অমদা হায়খিবনি হায়রি।

## ইরানগী লান মনুংদা ট্রম্পকী মচানুপানা শেল তান্নবা হোৎনখ্রে

ৱাসিংটন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) : ইরানগী লান মনুংদা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মচানুপা এরিক ট্রম্প অমদি ট্রম্প জুনিয়ার অনিনা শেল তালহৌনবা হোৎনখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী লান অসিগী খুদোঙচাবা লৌদুনা এরিক ট্রম্প অমদি ট্রম্প জুনিয়ার অনিনা মিদ্দল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা দ্রোন য়োন্নবা হোৎনরকখিবনি। ইরানগী লানগী চৈথেং চাওনা ফংলবা সাউদি অরাবিয়া অমদি য়ু এ ইনাচিংবা লৈবাকশিংদা দ্রোন অমদি এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনচিংবা লানগী খূৎলাইশিং য়োনশিন্নবা হোৎনরকখিবনি।

লান মনুংদা খ্বাইদগী শেল তানবা ঙম্বা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট অসি দোনাল্ড ট্রম্পনা ওইখ্রে। হৌজিক শোক্লরিবা লান অসি টেক্নোলোজি অমদি সাইন্সকী লান ওইবা মরম্না আমেরিকানসু মখল মখা কয়াগী মতিক ময়াই লৈরবা লানগী খূৎলাইশিং শান্নবা লম্বীদা চংশিল্লকখ্রে হায়রি।

## থা লৈবাক্তা থিজিনবা চৎখিবা নাসাগী এষ্ট্রোনোটশিংনা পৃথিবিগী ফজরবা ফোটো কাপ্তুনা থারকখ্রে

ৱাসিংটন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
আমেরিকাগী স্পেস এজেন্সি নাসানা থা লৈবাক্তা থিজিনবা থাখিবা নাসাগী এষ্ট্রোনোটশিংনা পৃথিবিগী ফজরবা ফোটো কয়া কাপ্তুনা থারকখ্রে।



ফোটো অসি চাওরাক্লা পৃথিবীদগী কিলোমিটর লাক্ষ কয়া লাপ্পবা থাগী ওর্বিটতা কোয়দুনা লৈরিবা এষ্ট্রোনোটশিং অদুনা মতিক ময়াই লৈরবা কেমেরাশিং শিজিন্নদুনা কাপ্তুনা থারকখিবনি।

নাসাগী থাগী লৈবাক্তা থিজিল্লুনবা থাখিবা অর্টেমিস–২ মিসন অসি ১৯৭২গী মতুংদা অহানবা ওইনা থা লৈবাক্কী ওইনা অখন্ননা পায়খৎলকপা মিসন অমনি। মিসন অসিগী কম্মান্দর রিদ ৱাইজমেননা স্পেসতগী পৃথিবীগী ফজরবা ফোটো অদু কাপ্তুনা থারকখিবনি।

মিসন অসিদা শরুক য়ারিবা এষ্ট্রোনোটশিংনা থাগী অকোয়বদা পাইদুনা থা লৈবাক্তা করি করম্বা অহোংবা লাকপগে হায়বনচিংবগী মতাংদা য়েংশিন্দুনা পুরক্কদৌরিবা রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা থা লৈবাক্তা পায়খৎলক্কদৌরিবা প্রোজেক্টশিংগী য়ুমফম ওইগনি।

হন্দক থাখিবা মিসন অসি থা লৈবাক্তা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরুরবা মতুংদা এপ্রিল ১০দা পৃথিবীদা অমুক হল্লক্কনি। মিসন অর্টেমিস–২দা শিজিন্নরিবা রোকেট অসি হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী মতিক ময়াই ওইরবা এদভান্স ওইরবা রোকেট মখল অমনি। রোকেট অসি মীওইবনা মার্স প্লানেটতা চৎনবগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি আমেরিকা লৈবাক খক্তা নৎতনা চাইনা, জপান, রসিয়া অমদি ইন্দিয়ানচিংবা লৈবাকশিংনসু লাক্কদৌরিবা চহী ২০৩৫ ফাওবগী মনুংদা থাগী লৈমায়দা মী য়াওবা মিসন কয়া থানবা থৌরাং তৌরি।

মালেমগী খ্বাইদগী শেল পায়বা মীওই অমা ওইরিবা ইলোনমাসনসু থাগী লৈবাক্তা মী থাদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগীদমক থৌরাং কয়া শেম শাবা হৌখ্রবনি হায়রি।

## রসিয়ানা চত্থরকখিবা এটেকতা য়ুক্রেনগী মীওই মরী শিখ্রে



কিব, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
চহী ৪ ফাজিলক্লবা রসিয়া অমদি য়ুক্রেন অনিগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিগী মনুংচন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা য়ুক্রেনদা চত্থরকখিবা দ্রোন অমদি মিসাইলগী এটেকতা য়ক্রেনগী মীওই ৪ শিখ্রে, ১১ রোমনা চাওনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না রসিয়ানা হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা অঙকপা ফংনা দ্রোন অমদি মিসাইলশিং নুংথিলগী মতমদা কাপশিল্লক্তুনা লান্দারকখিবনি।

রসিয়ানা চাওরাক্লা দ্রোন ৫০০ রোম অমদি মশীং য়াম্লবা মিসাইলশিং কাপশিলক্তুনা য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা লান্দারকখিবনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির জেলেনস্কিনা ফোঙদোরকখিবদা রসিয়ানা লান্দারকখিবা অদুগী চপ চানা য়ুক্রেনগী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা লান্দাখি। লান অসিগী মনুং চন্না রসিয়ানা লৌশিনখিবা লম কয়া য়ুক্রেনগী লান্মীশিংনা অমুক হন্না লৌশিনবসু ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## আমেরিকাদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা হিন্দুগী লাইশঙদা থবক তৌবা মীওইশিং ওৎপী–নৈবিখি হায়না চাওনা মরাল শীরকখ্রে

ৱাসিংটন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) :
আমেরিকাদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা হিন্দুগী লাইশঙদা থবক তৌবা মীওইশিং ওৎপী–নৈবিখি হায়না চাওনা মরাল শীরকখ্রে হায়না দ গার্জিয়ানদা ফোঙবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।





রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না আমেরিকাগী ন্যু জর্সি হায়বা মফম অসিদা লৈবা চাওরাক্লা একর ১৮৫ রোম চাওবা লমদা শারিবা হিন্দুগী লাইশঙ অসি বি এ পি এস স্বামিনরায়ন অকসর ধামনা লাইশঙ অসি শারকখিবনি। হিন্দু লাইশঙ অসি হৌখিবা চহী ২০১৫দগীনা ২০২৩ ফাওবগী মরক্তা শাখিবনি।

লাইশঙ অসি শাবদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংবু তমথিনা ওৎপী নৈবিখিবতা নৎতনা মখোয়গী ভিজা ফাওবা অরানবা মওংদা শিজিন্নবীখি। মসিদা নৎতনা লাইশঙ অসি শাবা মতমদা অরুবা লায়নানা নারবা শিন্মীশিং অদুবু মতম চানা লায়েংবিখিদে হায়বগী ৱাথোক লাকখিবনি।

মতম অদুদা লাইশঙ অসি শাবদা য়াওবা শিন্মী রমেশ মিনা অমদি বেবিলাল কৌবা মীওই ২ সিবিকোসিসনা নারকপদগী শিখি। হিন্দুগী লাইশঙ অসিদা শীরক্লিবা মরাল অসি লাইশঙ অসিবু ঙাক শেল্লিবা কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি অরানবা ৱাফমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লাইশঙ অসি হিন্দুশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা লাইফম অমনি। লাইশঙ অসি শাবদা য়াওখিবা শিন্মীশিংনা শীরকখিবা মরালগী মতুং ইন্না চাওরবা লাইশঙ অসি শাবদা থবক শুরিবা শিন্মীশিং পুং ৯০ চুপ্পা থবক শুহনখি। মদুগী মহুৎতা খূৎশুমন ওইনা শুপ্পগী দোল্লর ১.২০ খক্তা পীবিখি। থবক হৌরবা মতুংদা শিন্মীশিং অদুগী পাসপোর্টনচিংবা দোকুমেন্টশিং মুনবিখি। ইমসুং মনুংগী মীওইশিংগসু ৱারী শান্নবগী তাঞ্জা পীবিখিদে। হৌজিকসু কেস অসি লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।